Hueiyen Lanpao

# গভর্নরস কপ ষ্টেট লেভেল ফেন্সিং চেম্পিয়ন্সিপ ২০২৫ গভর্নর অজয় ভল্লানা হৌনবী মতুংইন্না হৌদোকখ্রে




**ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৮ (ঐচ এন এস):** মণিপুরগী গভর্নর অজয় কুমার ভল্লানা অথোয়বা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়ারদুনা ঙসি ২১ রক শুবা গভর্নরস কপ ষ্টেট লেভেল ফেন্সিং চেম্পিয়ন্সিপ ২০২৫ হৌনবী মতুংইন্না হৌদোকখ্রে।

মণিপুর ফেন্সিং এসোসিএশন (এম এফ এ)না শীন্দুনা ঙসিদগী হৌরগা থা অসিগী ৩১ ফাওবা নুমিৎ মরিনি চুপ্পা চথগদবা গভর্নরস কপ অদুদা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্ট ৮দগী লাকপা নুপা ফেন্সর ১২৭ অমদি নুপী ফেন্সর ৯৮ পুন্না শান্নরোয় ২২৮না শরুক য়ারগা তোঙান তোঙানবা মেমোরিএল রোলিং ট্রোফি ১৫গীদমক অথোয়-অহেন চাংদম্নগনি।

কপ অসি হৌদোক্ত্রিঙৈগী মাঙওইননা ইন্টরনেশনল ফেন্সিং শান্নরোয় ৱাইখোম সোনিয়ানা ৱাশক লৌখি। অথোয়বা মীথুংলেন ওইখিবা মণিপুরগী গভর্নর অজয় কুমার ভল্লানা হৌদোকপগী থৌরম অদুদা ৱা ঙাংলদুনা হায়, ইন্দিয়ানা য়ুম্বু ওইরগা গুজরাটতা চথরিবা কম্নৱেলথ ৱেথলিফটিং চেম্পিয়ন্সিপ ২০২৫দা মণিপুরদগী লিফটর সাইখোম মিরাবাই চনু অমদি চনম্বম রিশিকান্ত অনীনা গোল্ড মেদল অমমম লৌরকপগা লোয়ননা সোরোখাইবম বিদ্যারানিনা সিলভর মেদল অমা লৌদুনা ষ্টেট অসিগীতা নত্তনা ইন্দিয়াগী ওইনসু মীংচৎ পুরকপা ঙমখিবা অদু মণিপুর মীয়ামগী ওইনা য়াম্না চাওথোকচনিংঙাইহনি। মখোয় অহুমগী ফজরবা খুৎশান্নশিং উৎতুনা গোল্ড মেদল অনী অমদি সিলভর মেদল অমা লৌরকপা ঙম্লা অসিনা ষ্টেট অসি স্পোর্টসকী লমদা অতৈ অতোপ্পা ষ্টেটতগী মাঙজিল থানা চৎপা ঙম্মী হায়বদু ময়েক শেংনা তাকপা ঙম্লে হায়খি।

ঙসি অহৌবা নুমিৎতা সিনিয়র মেনগী সেবর ইভেন্টকী চাংদম্নখিবদা বিষ্ণুপুরগী ও য়ুবরাজনা গোল্ড মেদল, ইম্ফাল ইষ্টকী এস বিজুনা সিলভর মেদল অমদি দিষ্ট্রিক্ট অসিমক্তদগী মেক্সি টি ঐচ অমসুং থৌবালদগী টি ঐচ অজিৎকুমার অনীনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংমীন্নখি। সিনিয়র ৱিমেনগী সেবর ইভেন্টকী শান্নখিবদা ইম্ফাল ৱেষ্টকী এল অভিনা গোল্ড, ইম্ফাল ইষ্টকী পি অম্বিকানা সিলভর অদুগা দিষ্ট্রিক্ট অদুগী টি ঐচ পুসপা অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্টকী পি ঐচ বেবি অনীনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখি।

# থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট ওলিম্পিক গেমস মশক থোক্লা পাঙথোক্লবগীদমক মীফম পাঙথোকখ্রে




**থৌবাল, ওগষ্ট ২৮ (ঐচ এন এস):** থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট ওলিম্পিক এসোসিএশননা শীন্দুনা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী অহানবা ওইনা পাঙথোক্কদৌরিবা দিষ্ট্রিক্ট ওলিম্পিক্স গেমস ২০২৫-২৬কী ওর্গনাইজিং কন্মিটি শেমখ্রবা মতুং গেমস অসি মশক থোক্লা পাঙথোক্লবগীদমক খন্ন-নৈনবগী মীফম ফমখ্রে।

থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী তোঙান তোঙানবা গ্রাউন্দ/ভেন্যুশিংদা দিসিপ্লিন ২০দা লাক্লিবা সেপ্টেম্বর ২৪দগী ২৮ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা গেমস অসিগী ঙসি জেদ ই ও জোন-৩ থৌবালগী কনফরেন্স হোলদা দি সী থৌবাল হন্নাহ কামৈ (আই এ এস)না ময়ায় তাংবল লৌদুনা ওর্গনাইজিং কন্মিটি, সব কন্মিটি অমদি গেমস অসিবু হেন্না মশক থোক্লা পাঙথোকপদা মথৌ তৌগদবশিংগী ওইবা মীফম অমা ফমখ্রে।

মীফম অদুদা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী দিষ্ট্রিক্ট লেবেল স্পোর্টস এসোসিএশনশিংগী লুচিংবশিং, সিনিয়র স্পোর্টস সিম্পেথাইজরশিং, সোসল ওর্গনাইজেশনশিংগী লুচিংবশিং, ইন্সটিট্যুট/ওর্গনাইজেশনশিংগী হেদশিং, দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনগী মখাদা লৈবা দি এল ও কয়ানা শরুক য়াখি।

গেমস অসি মপুং ফানা অমদি মশক থোক্লা পাঙথোক্লবা গেম অসিদা মথৌ তৌগদবশিংগী মথৌশিং খঙমীন্নখ্রে। ইভেন্টশিং পাঙথোক্লবগীদমক্তা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংসু লেপখ্রে। মেগা ইভেন্ট অসি মণিপুর ওলিম্পিক এসোসিএশনগী মীৎয়েং মখাদা অমদি পাউতাক মখাদা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনগা পুন্না তোঙান তোঙানবা এদ্যুকেস্নল ইন্সটিট্যুসন/গভর্নমেন্ট দিপার্টমেন্টশিং, ওর্গনাইজেশনশিং, এন জি ওশিং, বিজিনেস ফেটর্নিটিশিং অমদি স্পোর্টস সিম্পেথাইজরশিংগা লোয়ননা য়ুথ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টস দিপার্টমেন্টনচিংবা কয়াগী মতেংগা লোয়ননা ওলিম্পিক গেমস অসি মায় পাক্লা পাঙথোক্লবা পান্দম থন্নি।

পাঙথোক্কদৌরিবা দিষ্ট্রিক্ট ওলিম্পিক গেমস অসিদা চাওরাক্ল। পার্টিসিপেন্ট লিশিং ২ রোম্না শরুক য়াদুনা তোঙান তোঙানবা দিসিপ্লিনশিংদা অথোয়-অহেন চাংচম্নগনি।

# এম পি এস সীগী ধনপ্রিয়ানা ককচিংগী সিলকি চনু মায়থীবা পীখ্রে



**ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৮ (ঐচ এন এস):** দিষ্ট্রিক্ট টেবল টেনিস এসোসিএশন ইম্ফাল ৱেষ্টনা শীন্দুনা দি এম য়ুনিভর্সিটি কেম্পস মনাক্তা লৈবা ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা ৩৭ লক শুবা ইম্ফাল ৱেষ্ট ইন্টর ক্লব অমসুং ষ্টেট ওপন রেঙ্কিং টেবল টেনিস চেম্পিয়ন্সিপ ২০২৫গী ৱিমেন্স সিঙ্গলসতা এন ধনপ্রিয়া মায় পাক্তুনা মথংগী রাউন্দ চঙখ্রে।

মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্ট ৬ অমদি য়ুনিট ১দগী লাকপা টেবল টেনিস নুপা শান্নরোয় ১৪২ অমদি নুপী শান্নরোয় ৫৬ য়াওরগা অপুনবা শান্নরোয় ১৯৮না শরুক য়াদুনা থা অসিগী ৩১ ফাওবা চথগদৌরিবা চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী ঙসি নীনি চনবা নুমিৎতা শান্নখিবা ৱিমেন্স সিঙ্গলকীদা এম পি এস সীগী এন ধনপ্রিয়ানা ককচিংগী টি ঐচ সিলকি চনুবু সেট ৩-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

ৱিমেন্স সিঙ্গলস কেটাগরি অসিগী মখা তাবা মেটচশিংদা ইম্ফাল ৱেষ্টকী নিকিতা এলাংবমনা এম পি এস সীগী দব্লিয়ু থাজবু সেট ৩-০দা থোইখি। মখা তাবা অহুমশুবা মেটচতা থৌবালগী কে ঐচ লোয়ালেম্বীনা ইম্ফাল ইষ্টকী প্রিটি ৱাঙ্খেরাকপমবু সেট ৩-১দা থোইবা ঙমখি। মরিশুবা মেটচতনা ইম্ফাল ৱেষ্টকী অনকিতা সঞ্জেনবমনা এম পি এস সীগী সী ঐচ নরাসিনিবু সেট ৩-০দা মায়থীবা পীখি।

ৱিমেন্স সিঙ্গলসকী তরুকশুবা মেটচতা থৌবালগী এল বিতুনা উখ্রুলগী খনমুংলা হোরামবু সেট ৩-০দা থোইবা ঙমখি। চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী চহী ১৫ মখাগী নুপামচাগীদা থৌবালগী এম্ব্রোস নামৈরাকপম, হেমজিৎ শগোলসেম, ইম্ফাল ইষ্টকী ঐচ চর্চিল, বিষ্ণুরগী ফাইরেম্ব সনাথোই অমদি থৌবালগী ষ্টেফেন ৱাইখোমনা মথংশিংনা গ্রুপ এ, বি, সী, দি অমদি ইগী ৱিন্নর ওইদুনা মথংগী রাউন্দ চঙবা ঙমখ্রে।

# নেশনল স্পোর্টস দে পাঙথোক্কদৌরি

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৮ (ঐচ এন এস):** দিপার্টমেন্ট ওফ য়ুথ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টস গভর্নমেন্ট ওফ মণিপুরনা শীল্লগা খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্স, দিষ্ট্রিক্ট ওফিস (দি ৱাই এ এস ও) অমদি দিষ্ট্রিক্ট খেল্লো ইন্দিয়া সেন্টর (দি কে আই সী এস)শিংদা নুমিৎ হুম্নি চুপ্পা হয়েংদগী হৌরগা থা অসিগী ৩১ ফাওবা নেশনল স্পোর্টস দে ২০২৫ পাঙথোক্কদৌরি।

দিপার্টমেন্ট অসিগী দিরেক্টর ডা. ময়েংবম ভেটোনা হীরম অসিগা মরী লৈননা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, হয়েং অহৌবা নুমিৎকী অয়ুক পুং ৭ তাবদা খুমন লম্পাক্কী হোক্কি ষ্টেদিয়মদা হৌদোকপগী থৌরমগা মরী লৈননা মেজর ধ্যানচান্দগী মফমদা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা ষ্টেট সেন্টর ওফ এক্সিলেন্স, এন এস এ অমদি আর সী সীগী শান্নরোয়শিং, কোচশিং অমসুং ষ্টাফশিংনা ইকায় খুম্নবা উৎকনি। থৌরমগী মখা চথরকপা ওইনা অয়ুক পুং ৯ তাবদা হোক্কি ষ্টেদিয়মদা ষ্টেট লেভেল মেজর ধ্যানচান্দ ট্রোফি হোক্কিগী অহানবদা নুপা অমদি নুপীগী ভেটরান মেটচশিং শান্নগনি। লোয়ননা নুপা অমদি নুপীগী ওপন হোক্কি মেটচনা মখা চথগনি।

অহৌবা নুমিৎকী নুংথিল পুং ১ তাবদা খুমন লম্পাক বোক্সিং এরেনাদা এন এস এগী শান্নরোয়শিংগী ওইবা বোক্সিং কম্পিটিসন পাঙথোক্লবা মতুং নুংমিদাংৱাইরম পুং ৫ তাবদা খুমন লম্পাক মেইন ষ্টেদিয়মদা য়ুথ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টস টিম অমদি মমি থৱান টিম অনীগী মরক্তা মেন্স ফুটবোল এক্সিবিসন মেটচ পাঙথোক্তুনা অহানবা ফেজগী নেশনল স্পোর্টস দেগী অরোইবা থৌরম ওইগনি। নেশনল স্পোর্টস দে অসি লমদম অসিগী শান্নববু থৱায় য়াওজবা মীপুম খুদিংমক্না মপুং ফানা শৌগৎতুনা হেন্না মায় পাকপা থৌরম অমা ওইহন্নবা হোৎনমীন্নসি হায়না চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

# এমিমাইদো ময়াং ইম্ফালনা ঐচ ভি এ হৈগ্রুজম থোইরগা টিম চেম্পিয়ন ওইখ্রে



**ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৮ (ঐচ এন এস):** ওল মণিপুর ভোল্লিবোল এসোসিএশন (এ এম ভি এ) ইম্ফাল, এন এস এস য়ুনিট থম্বাল মরিক কোলেজ ওইনাম অমদি এস ই দব্লিয়ু এগা পুন্না খুৎশম্নরগা থা অসিগী ২৪দগী টিম ১৬না শরুক য়াদুনা থম্বাল মরিক কোলেজ ওইনামদা চথরকখিবা ২৪ রক শুবা মিনি বোইজ ষ্টেট লেভেল ভোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০২৫ ঙসি লোইশিনখিবগা লোয়ননা এমিমাইদো ময়াং ইম্ফালনা টিম চেম্পিয়ন ওইখ্রে।

ঙসি পাঙথোকখিবা টুর্নামেন্ট লোইশিনবগী থৌরম অদুদা থম্বাল মরিক কোলেজ ওইনামগী প্রিন্সিপাল প্রোফেসর কে ঐচ মোহোন, ওল মণিপুর ভোল্লিবোল এসোসিএশন (এ এম ভি এ)গী প্রসিদেন্ট এন জি ইনাওচা, আই দব্লিয়ু ভি এগী প্রসিদেন্ট এল জুগিন্দ্রো, টি এম সী ওইনামগী মেথমেটিক্স দিপার্টমেন্টকী ঐচ ও দি এস ঐচ তোম্বা, জুলোজি দিপার্টমেন্টকী ঐচ ও দি ডা. এম সোমেন্দ্রো অমদি সোসল ৱার্কর থিংবাইজম স্বারনকুমারনা মরুওইবা মীওইশিং ওইনা শরুক য়াখি।

ঙসি লোইশিনবা নুমিৎতা এমিমাইদো ময়াং ইম্ফাল অমসুং ঐচ ভি এ হৈগ্রুজমগী মরক্তা ফাইনেল মেটচ শান্নখি। টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা ফাইনেল মেটচ অদুগী ওইনা নাকল অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা মখোয় মখোয়গী হৈশিংবশিং মপুং ফানা উথোক্তুনা টুর্নামেন্ট অদুগী চেম্পিয়ন ওইবা ঙম্নবা য়াম্না কন্না হোৎনখি। অদুমওইনমক মেটচ অদু এমিমাইদো ময়াং ইম্ফালনা সেট ৩-১ (২৫-২৩, ২৫-১৫, ১৪-২৫, ২৫-২০)দা ঐচ ভি এ হৈগ্রুজম মায়থীবা পীরম্লগা টিম চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখিবনি। টিম চেম্পিয়ন অমদি রন্নর্স অপ তারবা টিমদা কেস প্রাইজ অমদি ট্রোফি পীদুনা পুক্নিং থৌগৎখি।

# সী আর এস অমসুং সী এম এসকী মতাংদা ৱার্কশোপ পাঙথোক্কদৌরি

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৮ (ঐচ এন এস):** ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএশন (অম্ফা)না শীন্দুনা সেন্ট্রেলাইজ রেজিষ্ট্রেসন সিষ্টেম (সী আর এস) অমসুং কম্পিটিসন মেনেজমেন্ট সিষ্টেম (সী এম এস)কী মতাংদা নোংমগী ওইবা ৱার্কশোপ অমা দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএশনগী ওইনা থা অসিগী ৩১দা তেকচম প্রাইমারি স্কুলদা পাঙথোক্লগনি হায়রি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা অম্ফানা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, অম্ফাগী রেজিষ্ট্রেসন মেনেজর টি ঐচ দেবানন্দ মৈতৈবু ৱার্কশোপ অসিগী ইনষ্ট্রক্টর ওইনা এপোইন্ট তৌরে। অদুগা রোবার্টসন এলাংবমনা ৱার্কশোপ অসিদা দেবানন্দ মৈতৈগী মতেং পাংগনি।

ইনষ্ট্রক্টরশিংগী টি এ অমসুং দি এ দি এফ এ থৌবালনা পুথোক্কদবনি। লোয়ননা দি এফ এ থৌবালনা মখোয়দা এফিসিএট তৌরিবা ক্লবশিংদগী মেম্বর অমমম নোমিনেট তৌরক্নবা মাঙজৌননা পাউপীগদবনি অমদি মেম্বরশিং অদু কম্প্যুটর নোলেজ লৈগদবনি হায়রি।

# হিরো মেন্স এসিয়া কপকীদমক কজাখষ্টানগী টিম বিহারদা থুংলখ্রে




**রাজগির, ওগষ্ট ২৮ (এজেন্সী):** বিহারনা য়ুম্বু ওইদুনা হয়েংদগী হৌরগা রাজগিরদা পাঙথোক্কদৌরিবা হিরো মেন্স এসিয়া কপতা শরুক য়ানবগীদমক কজাখষ্টানগী মেন্স হোক্কি টিম ঙরাং বিহারদা থুংলখ্রে।

মথং থাগী ৭ ফাওবা রাজগির হোক্কি ষ্টেদিয়মদা পাঙথোক্কদৌরিবা হিরো মেন্স এসিয়া কপতা শরুক য়ানবগীদমক লৈবাক অসিদা থুংলখ্রবা কজাখষ্টানগী টিম অদু য়রকেবুলান দুসেবেকোভনা লুচিংলি। কজাখষ্টানগী ওইনা এসিয়া কপতা শরুক য়াগদৌরিবা অসি হদক্কী অসি থারগা অনীরকশুবনি। হৌখিবা কুমজা ১৯৯৪দা জপানগী হিরোসিমাদা পাঙথোকখিবা এসিয়া কপতা কজাখষ্টাননা অহানবা ওইনা শরুক য়াখি।

কজাখষ্টান হৌজিক হৌজিক এফ আই ঐচ ৱর্ল্ড রেঙ্কিংদা ৮১ শুবা মফমদা লৈরি। অদুগা টুর্নামেন্ট অসিগী ওইনা পুল এদা কজাগষ্টাননা য়ুম্বু ইন্দিয়া, জপান অমদি চাইনাগা পুন্না লৈমীন্নরি।

কজাখষ্টাননা টিম এদা লৈমীন্নরিবা টিমশিং অসি এসিয়াগী ওইনদি হোক্কি মশান্নদা মাঙজিল থারগা লৈরিবা লৈবাক ঙাক্তনি। মদুনা মরম ওইরগা কজাগষ্টানগী ওইনদি টুর্নামেন্ট অসি য়াম্না চেলেঞ্জিং ওইগদৌরি।

অমরোমদা, কজাখষ্টান টিমগী কেপ্টেন য়রকেবুলাননা, ইন্দিয়াদা ইহান হান্না টুর্নামেন্ট অসি য়াওনবগীদমক থুংলখিবসি য়াম্না নুংঙাই অমদি মায় পাকপা ঙম্নবা হোৎনগনি হায়খি।


# ওল ইন্দিয়া মেন্স ওপন বাস্কেটবোল টুর্নামেন্ট ২০২৫ পাঙথোক্লগনি

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৮ (ঐচ এন এস):** অরাম্বাই তেঙ্গোল য়ুনিট ৩৭না শীন্দুনা থা অসিগী ৩০দগী হৌরগা মথং থাগী ৬ ফাওবা শীংজমৈ চীংঙামখাদা লৈবা হাওগ্রাউন্দদা ওল ইন্দিয়া মেন্স ওপন বাস্কেটবোল টুর্নামেন্ট পাঙথোক্লগনি হায়রি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা অরাম্বাই তেঙ্গোল য়ুনিট ৩৭না থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, পাঙথোক্কদৌরিবা টুর্নামেন্ট অসি মপাল লমগী শান্নরোয়শিংসু শরুক য়াগদৌরি। থৌরম অসি রাজ্য সভাগী এম পি ইনিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাওবনা থৌরম মপু ওইরগা হৌদোক্কনি।

টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়ানবগী রেজিষ্ট্রেসন ফীনা লুপা লিশিং ২ ওইগনি। অদুগা টুর্নামেন্ট অসিগী ৱিন্নর ওইরবা টিমদা কেস প্রাইজ ওইনা লুপা লাখ অমা অদুগা রন্নর্স অপ তারবা টিমদা লুপা লিশিং ৫০ মনা ওইনা পীগনি। টুর্নামেন্ট অসিগী টোপ স্কোরর অমদি এম ভি পিদনা কেস প্রাইজ ওইনা লুপা লিশিং ১০/১০ পীগনি হায়রি।

## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 1576**

**IM Akshat Chandra (2341) - Andrew Tang (2222)**
**12th Foxwoods Open 2014 Ledyard USA, 2014.01.24**

1.e4 e5 2.Nf3 Nc6 3.Bb5 a6 4.Ba4 Nf6 5.O-O Be7
6.Re1 b5 7.Bb3 d6 8.c3 O-O 9.h3 Bb7 10.d4 Re8
11.Nbd2 Bf8 12.a3 h6 13.Ba2 Nb8 14.Qb3 Qe7 15.a4 Bc6
16.axb5 axb5 17.Qc2 Nbd7 18.d5 Bb7 19.b4 c6 20.dxc6 Bxc6
21.Nb3 Nb6 22.Na5 Qc7 23.Be3 Bd7 24.Nd2 Rac8 25.Qd3 Na4
26.Rec1 d5 27.exd5 e4 28.Qf1 Nxc3 29.Bd4 Bxb4 30.Nc6 Qd6
31.Bxc3 Bxc3 32.Rxc3 Bxc6 33.Rxc6 Rxc6 34.dxc6 Qxd2 35.Qxb5 e3
36.fxe3 Qxe3+ 37.Kh1 Qe5 38. ...

**QUESTION : White to win**

**Puzzle 1575 Solution :**

**24. ...Bxf3** *The black bishop captures White's pawn, which was defending the square g4* **25.a8=Q**
*25.gxf3 Qg5+ 26.Kh1 Qg2#*
**25. ...Rxg2+ 26.Kf1**
*26.Kh1 Rg3#*
**26. ...Rf2+ 27.Kg1 Rg4#**
**0-1**









Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei; e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com